# মণিপুর সরকার

## GOVERNMENT OF MANIPUR

# BUDGET SPEECH
# OF
# SHRI Y. KHEMCHAND SINGH
# HON’BLE CHIEF MINISTER
# (in-charge Finance)

**2026-2027**

**09 March, 2026**

# ইকাইখুম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টর
# শ্রী ৱাই খেমচান্দ সিংহ
# (ফাইনান্স ইন-চার্জ) - না
# বজেটকী থন্বীগদবা ৱারোল
# মার্চ ৯, ২০২৬

Speaker Sir,

With your permission, I rise to present the full Budget of the State of Manipur for the year 2026–27 before this August House.

I will briefly highlight its key features. The detailed provisions and scheme-wise information are contained in the annexure enclosed with this speech.

2. Sir, with the improvement in the law-and-order situation in the State, there is considerable progress in the State in all aspects. For this, I would like to express my gratitude to the people of the State who understand that maintaining peaceful atmosphere is in everyone's interest. I would also take this opportunity to express my appreciation of the enormous efforts put in by the Government of India to restore normalcy in the State.

3. With pick up in the economic activities, the State's Own revenue collection is clearly on a growth trajectory. The State's own revenue collection is estimated to increase significantly from **Rs. 2087 crore** in 2024–25 to **Rs. 2887 crore** in 2026-27, which is a growth of over 38% in just two years.

4. During the current year, the Government of India extended special package amounting to **Rs. 2198 crore** to assist the State for **pre-payment of high interest-bearing loans**, **security-related expenditure**, **charges for central para military force deployment**, and **support for the rehabilitation of IDPs**.

5. The assistance has not only helped in the rehabilitation effort of the state government but has also ensured that development spending is not pre-empted by increasing revenue expenditure. The Central Government has assured all necessary support in the new financial year 2026-27 as Manipur continues on this road of peace and economic recovery.

6. We remain determined to increase our revenues and rationalise expenditures, while ensuring that growth enhancing capital expenditure are not affected. As part of the Union Government's initiative to strengthen public financial management in the country, we have also introduced **SNA-SPARSH mode** of fund release mechanism of CSS funds, which will help in efficient and timely utilization of CSS funds.

7. Sir, our **primary concern today** is expediting the **rehabilitation and resettlement process of the Internally Displaced Persons (IDPs)**. As I have mentioned, the Government of India has extended considerable support and assistance in this regard. During the current year, assistance has been provided towards **support for construction of permanent houses, compensation for loss of personal belongings and movable assets** and **assistance for renovation** and **repair of partially damaged houses of the IDPs**.

8. For the fiscal year 2026-27, all necessary support will be provided for the rehabilitation and resettlement of IDPs and an amount of **Rs. 734 crore** has been provided in the budget for this purpose.

9. The Government remains committed to empowering women economically. For this, **a scheme for economic empowerment of women through self-help groups** will be launched this year. This scheme will benefit about **3.5 lakh women across the state** and **financial assistance will be provided over a period 3 years**. In the first year, an amount of **Rs. 10,000 will be provided to each woman beneficiary** through DBT. An amount of **Rs. 350 crore** has been provided in the budget.

10. Strengthening connectivity is another priority of this Government. Apart from expansion of existing roads, upgradation and strengthening of roads, we will also ensure maintenance of existing roads through adequate funding. For this, we have provided a sum of **Rs. 914 crore** in BE 2026-27. This will be supplemented by resources under MoRTH funding, NESIDS scheme of DoNER and SASCI for the road sector.

11. During the current year, we also plan to clear all existing backlogs of retirement benefits of our employees which are due for payments. For this, we have provided necessary funds in RE 2025-26.

12. The Central Finance Commission transfers accounts for more than 40 percent of our total revenue receipts. Therefore, Finance Commission award is critically important for us. The $16^{th}$ Finance Commission Report was tabled in the Parliament on $1^{st}$ February, 2026. The Award period covers the period 2026-27 to 2030-31. We have provided in the Budget, the tax transfers and grants allotted for Manipur during the ensuing fiscal year 2026-27.

13. The State Government will undertake several initiatives across sectors throughout the state with the objective of accelerating growth, creating employment opportunities—particularly for the youth—and improving the quality of life of the people. We will continue to carry forward these efforts with greater vigor and determination.

14. In the ensuing fiscal year 2026–27, particular emphasis has been placed on strengthening connectivity, skill development, women entrepreneurship, tourism promotion, drinking water supply, irrigation systems, and urban and district headquarters infrastructure development, among others.

## Revised Estimates 2025-26 & Budget Estimates 2026-27

15. Hon'ble Speaker, let me highlight to **Revised Estimates for the year 2025-26**. The total receipts are estimated at **Rs.32,366 crore**. The revenue receipts are estimated at **Rs.22,835 crore** and capital receipts at **Rs.9237 crore**. Total estimates of State's own tax and non-tax receipts are **Rs.1934 crore** and **Rs.450 crore** respectively.

16. Regarding total expenditure, an amount of **Rs.32,436 crore** is proposed. Out of this, Revenue Expenditure is **Rs.20,767 crore** and capital outlay is estimated at **Rs.4761 crore.**

17. Fiscal deficit for RE 2025-26 is estimated at **5.4%** of GSDP and outstanding debt at **40%** of GSDP.

18. Hon'ble Speaker, let me turn to the **Budget Estimates for the year 2026-27.**

19. The total receipts are estimated at **Rs. 32,339 crore**. The revenue receipts are estimated at **Rs. 23,102 crore** and capital receipts at **Rs. 9237 crore**. Total estimates of State's own tax and non-tax receipts are **Rs. 2437 crore** and **Rs. 450 crore** respectively.

20. For the 2026-27 BE, I am proposing a total expenditure of **Rs. 30,356 crore**. Total Revenue Expenditure is estimated at **Rs. 19,807 crore**. Capital outlay is estimated at **Rs. 4716 crore.**

21. Let me sum up by highlighting the likely fiscal position during the ensuing year. Fiscal deficit is estimated at **2.07 %** of the GSDP. During 2026-27, the total outstanding debt as a percentage of GSDP is projected at **39%.**

22. Speaker Sir, with this, I commend the Budget of the State of Manipur for RE 2025-26 and BE 2026-27 to this August house.

**Jai Hind.**

**Annexure**

## State's Finances

1. During 2023–24, resource mobilization in the State was severely affected due to the prevailing situation in the State. With improvement in the overall situation, there has been gradual increase in the State's own resource collection. The State's own revenue collection increased from **Rs. 1432 crore** in 2023–24 to **Rs. 2087 crore** in 2024–25. During 2025–26 RE and 2026–27 BE, with renewed efforts to raise additional resources, we expect the collection to further improve to **Rs. 2384 crore** and **Rs. 2887 crore** respectively. The State Government is also undertaking measures to augment resources through excise duties, property taxes, forestry, user charges etc. These efforts will strengthen the State's finances and provide the necessary resources to meet our developmental needs.

2. The Government of India extended special package amounting to **Rs. 2198 crore** during 2025–26 to assist the State towards pre-payment of high interest-bearing loans, security-related expenditure, charges for Central Paramilitary Force deployment, and support for the rehabilitation of IDPs. Through this fiscal support, the State Government has repaid **Rs. 642 crore to HUDCO**, which was availed for undertaking important infrastructure projects. This is expected to result in annual savings of around **Rs. 80 crore to Rs. 100 crore** that would otherwise have been incurred towards repayment of loans to HUDCO.

3. Due to our sincere efforts to increase revenue and rationalise expenditure, our fiscal deficit has come down from 6.35% of GSDP in 2020-21 to 4.16% in 2024-25, while we have been able to sustain our capital outlay at 5% of GSDP. During 2025-26 RE and 2026-26 BE, we expect fiscal deficit to be **5.49%** and **2.07%** respectively. The increase in fiscal deficit during 2025-26 RE is mainly due to additional provision for payment of pension backlog of **Rs.537 crore** during the current year and provision for recouping Contingency Fund of the State as per Rules. Similarly, we have brought down our debt level from **44.28%** of GSDP in 2020-21 to **41.44%** of GSDP in 2024-25. We propose to further reduce it to **40.53%** during 2025-26 RE and **39.14%** in 2026-27 BE.

4. In line with the directions of the Government of India, we have also adopted the SNA SPARSH system for fund transfers in respect of Centrally Sponsored Schemes (CSS). Under this system, Departments are required to make concerted efforts to avail and utilize the funds allocated to them under the CSS being implemented by them. Unlike the earlier modality of CSS fund transfers, under this new regime funds will not be front-loaded but will be released based on the actual requirements of the Departments. In this system, Departments are required to create the necessary liabilities and subsequently claim the funds from the Government of India. Speed and agility in processing claims will therefore be crucial for timely availability of Central funds.

## Assistance for IDPs

5. During the current financial year 2025-26, the Government of India approved **Rs.119 crore** under the Special Packages for payment of Top-up support @ Rs.1.70 lakh per household for construction of 7,000 permanent houses of Internally Displaced People in Manipur. This is over and above Rs.1.30 lakh per household sanctioned by Rural Development Ministry under PMAY- G Scheme. The Government of India has already released 50% of the amount sanctioned i.e. **Rs.59.50 crore**. The Government of India has also approved another **Rs.70 crore** under Scheme for compensation towards loss of personal belongings and movable assets for 7,000 fully burnt houses of IDPs. Under this Scheme, Rs.1 lakh per household shall be given to 7,000 fully burnt houses of IDPs. 50% of the amount has been released by Government of India.

6. Another **Rs.60 crore** is approved by the Government of India for payment of financial assistance@ Rs.75,000/- per household for renovation and repairing of 8,000 partially damaged houses of Internally Displaced Persons in Manipur. 50% of the sanctioned amount has been released by Government of India.

7. An amount of **Rs.274 crore** has been sanctioned for creation of **community assets in resettled villages** under the Special Packages. This fund shall be used for relief and rehabilitation of the IDPs. During 2026-27 BE, a sum of **Rs. 734 crore** has been provided for rehabilitation of IDPs for housing top up and other assets.

## 16th Finance Commission Award (2026-2031)

8. The 16th Central Finance Commission Report was tabled in the Parliament on 1st February, 2026. The Award period covers the period 2026-27 to 2030-31. During the Award period, the State is estimated to receive Rs.65385 crore as share in Central Taxes. In addition, there is an allocation of Rs.1871 crore as local bodies grant and Rs.288 crore as Disaster Response grant for the entire Award period.

## Important Initiatives

9. After a gap of two years the Manipur Shirui Lily festival was celebrated in May,2025 and was well received by the people. For development of infrastructure for Shirui heritage village and Bakshi ground, a sum of Rs.15 crore has been provided under SASCI 2025-26. This will enable the area to host tourists throughout the year, especially during the festival season.

10. Manipur hosted the 68th National School Games in April 2025, with over 1,600 athletes from 34 States and Union Territories participating. The State Government continues to support the promotion of sports and development of sports infrastructure through schemes such as Khelo India, SASCI, and programmes of the Ministry of DoNER.

11. Manipur also co-hosted the 134th edition of the Durand Cup in 2025. Under SASCI 2025–26, the Government of India has sanctioned the upgradation of the Cycling Velodrome at Khuman Lampak Sports Complex and the development of Sports Complexes at Kangpokpi, Tamenglong, and Kakching.

12. Air connectivity is crucial for Manipur. Helicopter services supported by the MHA and under the RCS–UDAN scheme provide quick and affordable connectivity between distant district headquarters. Further, the State Government has introduced additional flight routes with viability gap funding to cater to increasing demands for air travel. In the 2026-27 BE, **Rs. 17.20 crore** has been provided as VGF for helicopter services and passenger flight services. Another **Rs. 10 crore** for Helicopter-cum-Dispensary Services is provided in the budget.

13. Upgradation of the security apparatus, including infrastructure and equipment is a critical need, considering the security challenges faced by the state. Continuous support is being provided for the state police, with an allocation of **Rs. 3626 crore** in 2026-27 BE.

14. Education remains a priority sector, with support through Centrally Sponsored Schemes such as Samagra Shiksha, PM Poshan, PM SHRI, and PM USHA, along with State initiatives like the School and College Fagathansi Missions and the Merit Scholarship Scheme.

15. Drinking water and sanitation is another important sector. Funding for drinking water supply in Manipur is provided through various programmes such as the Jal Jeevan Mission, AMRUT and Externally Aided Projects (EAPs).

16. To ensure proper of road infrastructure particularly in the rural areas, additional provision of **Rs. 60 crore** each in 2025-26 RE and 2026-27 BE have been provided under the Manipur Rural Road Maintenance Policy.

**Scheme for Special Assistance to States for Capital Investment (SASCI)**

17. The **Scheme for Special Assistance to States for Capital Investment (SASCI),** launched in 2020, provides 50-year interest-free loans to promote capital expenditure by States without affecting their normal borrowing limits. Since 2020, the State Government has availed about **Rs. 3570 crore** under this scheme, for critical infrastructure projects in sectors such as - education, health, water supply, irrigation, connectivity, and security, many of which are currently under implementation.

18. **Projects under SASCI cover both Hills and Valley districts.** Important projects in include the following - District Youth Skilling, Entrepreneurship and Employment Centres in 6 locations ; Catchment area treatment and protection along with restoration of reservoir capacity of Singda Dam; Construction of 33/11 KV substations at 14

location; Boys and Girls Hostel at Maram; Construction of rigid pavement in hill districts ; Improvement of road from Mao to Kedima on Manipur Nagaland border ; Construction of incubation centres for handloom and handicraft (Churachandpur , Ukhrul) ; Infrastructure support to Government Colleges under " College Fagathansi Mission" ;Construction of new Mini Secretariat ; Establishment of 5 cold storage units ; Construction of Government residential quarters at new Checkon, etc. Under additional allocation for Part I of the Scheme**, a number of significant Projects have been approved and fund sanctioned** – Water supply scheme for Ukhrul District Headquarters from Khangkhui Khunou village incorporating Tourism aspects; Improvement of Churachandpur Ring Road; Improvement of Sapermeina to Ekou Road; Infrastructure creation for District Administration of new districts and also improving the district police infrastructure in new districts, etc.

19. Government of India is continuing the SASCI projects in 2026-27 and the State will receive its allocation as per the existing norms.

**Externally Aided Projects**

20. The State Government has prioritized Externally Aided Projects (EAPs), as they enable funding of major infrastructure projects, with the Central Government bearing 90% of the loan for North Eastern and hilly States like Manipur.

21. Currently, there are 7 (seven) EAPs under implementation with a total project cost of **Rs. 9647 crore**. These projects cover varied sectors, including connectivity, water supply, sanitation, irrigation and watershed management. These include the (i) Manipur Water Supply Project (ii) Forest Management Project (iii) Dam Rehabilitation and improvement Project (iv) Imphal Sewerage Project Phase-II (v) Lamphelpat Waterbody Rejuvenation Project (vi) Manipur Infotech Development (MiND) Project (vii) Manipur Urban Road, Drainage and Asset Management Improvement Project

22. Under Externally Aided Projects, we are implementing "Rigid Pavements for Imphal City" at a cost of **Rs. 3647 crore**. Concrete road pavements in the hill district headquarters will also be taken up.

23. For the financial year 2026-27 an allocation of about **Rs. 1363 crore** has been provided in the budget for Externally Aided Projects, to ensure that projects are implemented smoothly.

24. From April 2026 new funding window for Externally Aided Projects will open up. We are planning to take up projects which will positively impact the development trajectory of our State. We will consult all stakeholders to ensure that the best projects are taken up.

## Funding from Ministry of DoNER

25. The State Government is also accessing funds through the Ministry of DoNER to meet the development needs of Manipur. Under its different funding windows – North East Special Infrastructure Development Scheme (NESIDS); North East Special Infrastructure Development Scheme - Other Then Road Infrastructure (NESIDS OTRI) ; Schemes for North Eastern Council (NEC); Prime Minister's Development Initiative for North Eastern Region (PM- DevINE), a total of 457 projects were approved for a total cost of Rs.5107 crore. Out of this, 327 Projects are completed and another 121 Projects are ongoing.

26. Under The Prime Minister's Development Initiative for North-East Region (PM DevINE), DoNER is funding 8 Projects worth Rs. 593 crore. This includes – development of infrastructure of Manipur Technical University ; Development of Infrastructure of the processing zone of Manipur IT SEZ at Mantripukhri ; Construction and equipping of 60 bedded State Mental Hospital in Lamphelpat ; Infrastructure Development of DM University ; Infrastructure Development for Manipur University of Culture at Wakha ; Providing Super Speciality and assured Speciality health care in remote and hill district (infrastructure and equipment) in Manipur and Construction of Manipur International Convention Centre, Imphal, Phase I .

*****

স্পীকর সার, অদোমগী অয়াবা য়াওজরগা ঐহাক্না চহী ২০২৬–২৭কী মণিপুরগী মপূং ওইবা বজেট অদু থমজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজগে।

ঐহাক্না তেন্তক্না মরুওইবা মশক অদু থমজগে । অকুপ্পা প্রোভিজন অমদি স্কীম–স্কীমগী ৱারোল অদুদি স্পীচ অসিগী এনেক্সচরদা হাপ্তুনা থমজরে।

২. সার, রাজ্যগী ওইবা শান্তি–রক্ষাগী ফিভম অসি ফগৎলকপগা লোয়ননা, হীরম খুদিংমক্তা রাজ্য অসিদা চাওখৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। শান্তি লৈবনা মীপুম খুদিংমক্কী কান্নবনি হায়বসি খঙ্ৱা রাজ্য অসিগী নাগরিকশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকচগে। শান্তিগী লমদা চঙশিল্লকপদা ভারত সরকারনা লৌবিরিবা খোঙথাংশিং অদুবুসু তাঞ্জা অসি লৌজদুনা থাগৎপা ফোঙদোকচহৌগে।

৩. রাজ্য অসিদা লৈরিবা শেল–থুমগী ফিভমদা ফগৎলকপা অসি য়েংলদুনা, রাজ্য মশাগী রেভিন্যু কলেক্সন অসি চাওখৎলকপগী লম্বীদা লৈরি। চহী ২০২৪–২৫দা রাজ্য মশাগী রেভিন্যু কল্লেক্সন অসি লুপা কোটি ২০৮৭ ওইরম্বদগী ২০২৬–২৭দা লুপা কোটি ২৮৮৭দা হেনগৎলে। মসি চহী ২ অসিদা চাদা ৩৮ হেনৎলকপনি।

৪. চৎলিবা চহী অসিদা, ভারত সরকারনা অখন্নবা পেকেজ ওইনা লুপা কোটি ২১৯৮ অসি ইন্টরেষ্ট ৱাংনা পুবা লোনশিং শিংদোক্নবা, সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা খরচা, সেন্ট্রেল পেরামেলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবদা চঙবা চাদিং, অমদি আইদিপিশিংগী রিহেব্লিতেসনদা মতেং পাংনবগীদমক রাজ্য অসিগী ওইনা কাইথবিরকখি।

৫. অসিগুম্লবা শেলগী তেংবাং অসিনা, রাজ্য সরকারগী রিহেবিলিটেসনগী থবক খক্তা নত্তনা হেনগৎলক্লিবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরশিংনা পীরিবা স্পেন্দিংশিং অসিবু কোম্প্রোমাইজ তৌহনদনবদা মতেং পাংলি। মণিপুরদা ইং

তপ্পা হঞ্জিল্লকপা অমদি শেনথুমগী ফিভম ফগৎলকপগী মায়কৈদা লাকপা অসিদা সেন্ট্রেল গোভরণমেন্টনা মথৌ তাবা মতেং পুন্নমক পাংনবগীদমক অনৌবা শেনবা চহি ২০২৬–২৭দা মতেং পীগনি হায়বগী থজবা পীরে।

৬. ঐখোয়গী রেভিন্যু হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা অমদি এক্সপেন্দিচর রেস্নেলাইজ তৌনবা অচেৎপা ফিরেপ লেংদনা লৈরি। মসিদা গ্রোঠ এনহন্সিং কেপিটেল এক্সপেন্দিচর অসি শোকহন্দনবা হোৎনরি । ভারত সরকারনা লৈবাক অসিগী পব্লিক ফাইনালসিয়েল মেনেজমেন্ট ফগৎহন্নৰা হোৎনরিবা থৌরমশিং অসিগী শরুক ওইনা, ঐখোয়না এসঃএনঃএ–স্পর্শ অসি সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী ফণ্ড ট্রান্সফর তৌনবগীদমক্তা চলাইবা হৌজরে।

৭. সার হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না খ্বাইদগী ইহান–হান্না হোৎনজরিবা অসি ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পাঁসন (আইদিপিস) শিং রিহেবিলিতেসন অমদি রিসেটলমেন্ট তৌবগী থবক থৌরমশিং অসিনি। ঐহাক্না হান্ননা পঙ্খিবা অদুদি, মসিদা ভারত সরকারনা মশক থোক্লা পাংবা য়াব মতেং পুন্নমক পাংবিরি। চৎলিবা চহী অসিদা আইদিপি শিংগী পর্মেনেন্টে হাওস শাবা পাঁসোনেল বিলোংগিংস অমদি মোবেবল এসেট মাংখিবগী কম্পেসেসন পীবা অমদি কা হেন্না অমাং অতা থোকতবা য়ুমশিং নৌনা শেমজিন–শাজিন্নবগী থবক–থৌরমশিং তেংবাং পীখি।

৮. লাক্লিবা চহি ২০২৬–২০২৭ অসিগী ওইনা, আই দি পি শিং রিহেল্লিটেসন মথৌ তাব মতেং পুন্নমক পীনবা বজেট অসিদা লুপা কোতি ৭৩৪ হাপ্লে।

৯. নুপীশিং শেন্থোক হেনগৎনন্দুনা শেলথুমগী ফিভম ফান লৈহন্নবা সরকার অসিনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি। মসিগীদমক সেল্প হেল্প গ্রুপশিংগী খুত্থাংদা

নুপীশিংগী শেনথুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা স্কিম অমা চহী অসিদা হৌদোক্লগনি। স্কিম অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপী লাক্ষ ৩.৫ খুদোংচাব ফংহনগনি লোয়ননা মসিগীদমক শেনবা চহী অহুম শেলগী মতেং পীগনি। অহানবা চহীদা নুপী বেনিফিসরি অমমমদা লুপা ১০,০০০ দিবিতি খুত্থাংদা পীগনি। স্কিম অসিগীদমক বজেট অসিদা লুপা কোতি ৩৫০ হাপ্লে।

১০. বজেট অসিদা কনেকটিভিটিদা মরুওইনা লম্বী শেম্বাদা অহেনবা মিৎয়েং চংলি। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা লম্বীশিং পাকথোক চাউথোকপদা নত্তনা লম্বীশিং অপগ্রেদেসন অমদি ইষ্ট্রেংথনিং তৌগনি। মতিক চান ফন্দিং তৌদুনা হৌজিক লৈরিবা লম্বীশিংসু শোয়দনা মেন্টেন তৌগনি। লুপা কোতি ৯১৪ শেনফম বি ই ২০২৬-২৭দা হাপ্লে। রোদ সেক্তরগী ওইনা এম ও আর তি ঐচ কী ফন্দিং, দোনরগী নেসিদস স্কিম অমদি সাকসিগী ফন্দিংনা হায়রিবা থবকশিং অসি সর্পোট তৌগনি।

১১. ইপ্লোইশিংনা মখোয়গী রিটিয়ারমেন্ট বেনিফিটশিং ফংগদবদা লৈরিবা বেকলোকশিং ক্লিয়ার তৌনবা ঐখোয়না প্লান তৌরি অমদি মসিগীদমক মথৌ তাব শেনফম বজেট অসিদা হাপ্লে।

১২. সেন্ট্রেল ফাইনান্স কমিসনদগী লাকপা ফণ্ড অসিনা ঐখোয়গী অপুনবা রিভেনিউ রিসিপ্টকি চাদ ৪০ ওই। মরম অদুনা ফাইনাস কমিসনগী এৱার্দ অসি ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না মরু ওই। ১৬শুবা ফাইনাস কমিসনগী রিপোর্ট অসি পালির্য়ামেন্টতা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ১দা পুথোকখি। এৱার্দ পেরিয়োট অসি ২০২৬-২৭তগী ২০৩০-৩১ ফাওবা ওইরি। চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৬-২৭তা মণিপুরগী এলোকেসন ওইবা তেক্স ট্রান্সফরশিং অমদি গ্রান্টশিং ঐখোয়না বজেট অসিদা প্রোভাইদ তৌরে।

১৩. সরকার অসিনা অখন্ননা নহাশিং অমদি মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎনবা থবকশিং য়াওনা ষ্টেট অসি চাওখৎনবা, ইমপ্লোইমেন্ট ওর্পচুনিটিশিং হেনগৎন্নবগী পান্দমদা সেক্টর পুন্নমক্কী তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পায়খৎকনি। মসিগী অচেৎপা ৱাখল্লোন অমদি থৌনা অসি লেপ্তনা চত্থনবা হোৎনগনি।

১৪. চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৬-২৭ অসিদা অখন্নবা হীরমশিং হায়বদি কনেক্টিভিটি, স্কীল দিভিলপমেন্ট, ৱুমেন্ট ইন্টরপেনরসিপ, তুরিজম প্রোমোসন, ড্রিংকিং ৱাটর সপ্লাই, ইরিগেসন সিসটেম, অরবান রোদ, ড্রেনেজ অমদি এসেট মেনেজমেন্ট ইমপ্রুভ তৌনবা অমদি অতৈ অতোপ্পা হীরমশিং য়াওনা ফাগৎনবা অহেনবা মিৎয়েং চঙলি।

## রিভাইস ইষ্টিমেটস ২০২৫-২৬ অমদি বজেট ইষ্টিমেটস ২০২৬-২৭

১৫. ইকাইখুম্নজরিবা স্পিকর, ঐহাক্না চহি ২০২৫-২৬কি রিভাইস ইস্টিমেট অমুক থমজগে। অপুনবা রিসিটস অসি লুপা কোতি ৩২,৩৬৬ ওইগনি হায়না পারি। রিভিনিউ রিসিটসনা লুপা কোতি ২২,৮৩৫ অমদি কেপিতেল রিসিটসনা লুপা কোতি ৯২৩৭ ওইগনি হায়না পারি। অপুনবা স্টেটস অউন টেক্সনা লুপা কোতি ১৯৩৪ অমদি ননটেক্স রিসিটসনা লুপা কোতি ৪৫০ ওইগনি হায়না পারি।

১৬. তোতেল এক্সপেন্দিচরগী মতাংদা থমজরবদা লুপা কোতি ৩২,৪৩৬ কী শেনফম অমা প্রপোজ তৌরি। মসিগী মনুংদা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোতি ২০৭৬৭ ওইগনি অমদি কেপিটেল আওটলে অসিনা লুপা কোতি ৪৭৬১ ওইগনি হায়না পারি।

১৭.আর ই ২০২৫–২৬ তা ফিসকেল দিফিসিট অসি জি এস দি পিগী চাদ ৫.৪ অমসুং আওষ্টেন্দিং দেট অসিনা জি এস দি পিগী চাদ ৪০ ওইগনি হায়না পারি।

১৮. ইকাই খুম্নজরিবা স্পিকর, ঐহাক্না চহি ২০২৬–২৭ কী বজেট ইষ্টিমেটস অমুক থমজগে।

১৯. অপুনবা রিসিট অসি লুপা কোতি ৩২,৩৩৯ ওইগনি হায়না পারি। রেভিনিউ রিসিটনা লুপা কোতি ২৩,১০২ অমসুং কেপিটেল রিসিটনা লুপা কোতি ৯২৩৭ ওইগনি হায়না পারি। স্টেটস অউন তেক্সনা লেপা কোতি ২৪৩৭ অমসুং নোন তেক্স রিসিটসনা লুপা কোতি ৪৫০ ওইগনি হায়না পারি।

২০. ২০২৬–২৭ বিইগী ওইনা, ঐহাক্না লুপা কোতি ৩০,৩৫৬কি তোতেল এক্সপেন্দিচর অমা প্রোপোজ তৌরি। তোতেল রিভিনিউ এক্সপেন্দিচরনা লুপা কোতি ১৯,৮০৭ ওইগনি হায়না পারি। কেপিটেল আওটলেনা লুপা কোতি ৪৭১৬ ওইগনি হায়না পারি।

২১. লাক্লিবা চহী অসিগী মনুংদা ওইগদবা ফিসকেল পোজিসনগী মতাংদা ঐহাক্না শন্না থমজগে। ফিসকেল দিফিজিট অসি জি এস দি পি চাদ ২.০৭ ওইগনি হায়না পারি। ২০২৬–২৭তা আউটষ্টেন্দিং দেট অসি জি এস দি পি গী চাদ ৩৯ ওইগনি হায়না পারি।

২২. স্পিকর সার, মসিগা লোয়ননা মণিপুর স্টেটকি আরঃই ২০২৫–২৬ অমসুং বিঃই ২০২৬–২৭ অসি ওগস্ট হাওস অসিদা পুথোকচরি।–

**জয় হিন্দ**

## ষ্টেটস ফাইনান্সেস

১. চহী ২০২৩–২৪গী মনুংদা, রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা রিসোর্স মোবিলাইজেসন তৌবা অসিদা য়াম্না শোকহনখি। অদুমকপু ফিভম ফগৎলকপদগী রাজ্যগী মশাগী রিসোর্স কল্লেক্সন অসি ফগৎলক্লে। চহী ২০২৩–২৪দা রাজ্য মশাগী রেভিন্যু কল্লেক্সন অসি লুপা কোটি ১৪৩২ ওইরম্বদগী ২০২৪–২৫দা লুপা কোটি ২০৮৭দা হেনগৎলে। চহী ২০২৫–২৬ অমদি ২০২৬–২৭তা রেভিন্যু কল্লেক্সন অসি মথংশিংনা লুপা কোটি ২৩৮৪অমদি লুপা কোটি ২৮৮৭ হেনগৎলক্কনি হায়না পারি। স্টেট গোভরণমেন্ট অসিনা এক্সাইস দিয়ুটিজ, প্রোর্পটি তেক্সেস, ফোরেসত্রি, ইয়ুর্জস র্চাজেস নচিংবগী খুথাংদা রির্সোচশিং হেনগৎহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎলি। মসিগী থৌরাংশিং অসিনা স্টেটকি ফাইনান্সকি ফিভম ফগৎহনগনি অমদি ঐখোয়গী চাওখৎ থৌরাংগী মথৌ তাব রির্সোচশিং পীবা ঙমগনি।

২. ভারত সরকারনা অখন্নবা পেকেজ ওইনা ২০২৫–২৬কী মনুংদা লুপা কোটি ২১৯৮ অসি ইন্টরেষ্ট ৱাংনা পুবা লোনশিং শিংদোক্লবা, সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা খরচা, সেক্যুরিটি পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবদা চঙবা চাদিং, অমদি আইদিপিশিংগী মতেংগীদমক্তদা রাজ্য অসিগী ওইনা কাইথবিরকখি। অসিগুম্লবা শেলগী তেংবাং অসিনা, রাজ্য সরকারনা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগীদমক্তা লৌশিনখিবা লুপা কোটি ৬৪২ হুডকোদা হন্দোকপা ঙমখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা হুডকোদা হৌজিক শেন্দোন শিংদোকপদা চঙলিবা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা কোটি ৮০দগী ১০০ ফাওবদি হন্থবা ঙমহল্লগনি।

৩. রিভিনিউ হেনগৎনবা অমদি ইক্সপেন্দিচর রেসননেলাইজ তৌনবা ইর্ফোটশিং নীংথিনা পায়খৎপা অসিনা, ২০২০–২১দা ফিসকেল দিফিসিট অসি জিএসদিপিগী চাদা ৬.৩৫ ওইরম্বা অদু ২০২৪–২৫দা তাদ ৪.১৬তা হন্থখ্রে। অদুগা মতম অসিদা কেপিটেল আউটলে অসিসু জিএসদিপিগী চাদ ৫দা লেংদনা থম্বা ঙমখি। আরই ২০২৫–২৬ অমদি বিই ২০২৫–২৬তা ফিসকেল দিফিজিট অসি মথংসিৎনা চাদ ৫.৪৯ অমদি চাদ ২.০৭ ওইগনি হায়না পারি। আরই ২০২৫–২৬ তা ফিসকেল দিফিসিট ৱাংখৎলকপগী মরম অসি চৎলিবা চহী অসিদা বেকলোক লৈবা পেনসনগী লুপা কোতি ৫৩৭ পীনবা অহেনবা শেনফম অমা মথৌ তাবা অমদি রুলসকী মতুং ইন্না স্টেসকি কন্টিজেনসি ফন্দ রিকুপিং তৌনবগী ৱাফম লৈবননি। মসিগা মান্ননা, এখোয়গী শেন্দোনগী চাং অসি ২০২০–২১দা জিএসদিপিগী চাদ ৪৪.২৮ অদু ২০২৪–২৫দা জিএসদিপিগী চাদ ৪১.৪৪দা হন্থহনখিবা অসিসু মরম অমনি। অমুকসু আর ই ২০২৫–২৬ তা চাদ ৪০.৫৩ অমসুং বি ই ২০২৬–২৭তা চাদ ৩৯.১৪ মখা তান হন্থহন্নবা হোৎনরি।

৪. ভারত সরকারগী দিরেক্সনগা চুননা, সেন্ট্রেল্লি সপোনর্সদ স্কিম (সিএসএস) শিংগী ফন্দ ত্রান্সফর তৌবগা মরী লৈননা ঐখোয়না এসঃএনঃএ–স্পার্স সিষ্টেম অসি হৌদোক্লে। সিষ্টেম অসিগী মখাদা, দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়না সি এস এস মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী ফন্দ লৌনবা অমদি শীজিন্ননবা তঙায়ফদবা থবকশিং পায়খৎকদবনি। সি এস এস ফন্দ ত্রান্সফার তৌবগী হান্নগী মোদেলিটি অদুগা মান্নদনা, মসিগী অনৌবা রিজিম অসি ফ্রন্ট লোদেট ওইররোই। অদুবু দিপার্টমেন্টশিংগী তরু তশেং–তশেংবা মথৌ তাব অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা রিলিজ তৌগদবনি। মসিগী সিসটেম অসিদা, দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়গী তঙাইফদবশিং অদুগী লাইএবিলিটি শেমগদবনি অমদি ভারত সরকারদা মখা তাব ফন্দগী ক্লেম

তৌগদবনি। সেন্ট্রেল ফন্দশিং মতম চান ফংবা হায়বা অসিদা তৌরিবা ক্লেমশিং অদুগী স্পীদ অমদি এজিলিতি অসি য়াম্না মরু ওই।

## এসিসটেন্স ফোর আই দি পিস

৫. চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা, ভারত সরকারনা য়ূমথোং অমদা লুপা লাখ ১.৭০গী মতেংগা লোয়ননা মপূং ফানা য়ূম্লেপ্নবগীদমক্তা মণিপুরগী লাঞ্জেন্নরবশিংগী য়ূম ৭০০০ শানবগী অখন্না পেকেজ অমা লুপা কোটি ১১৯গী এপ্রুভ তৌখ্রে। মসি রুরেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পিঃএমঃএঃৱাই–জি স্কীমগী মখাদ কাইথবা য়ূমথোং অমগী লুপা লাখ ১.৩০গী মথক্তা পীথবা শেনফমনি। ভারত সরকারনা মসিগী অপূনবা শেনফম অদুগী চাদা ৫০, হায়বদি লুপা কোটি ৫৯.৫০দি কাইরকখ্রে। অখন্নবা পেকেজ অসিগী মখাদা, মৈনা তুম্না চাকখ্রবা আইদিপি য়ূমথোং ৭০০০ অদুগী মশাগী পোৎলম অমদি লেঙথোক–লেঙশিন য়াবা পোৎলমশিং অদুগী ওইনা ভারত সরকারনা অহেনবা লুপা কোটি ৭০ অমসু কম্পেনসেসন স্কীম অদুগী মখাদা এপ্রুভ তৌরক্লে। স্কীম অসিগী মখাদা মৈনা তুম্না আইদিপিগী চাকখ্রবা য়ূম ৭০০০ অদুদা য়ূমথোংগী ওইনা লুপা লাখ অমমম্ পীগনি। মসিগীদমক্তা ভারত সরকারনা চাদা ৫০গী শেনফমগী কাইথোরকখ্রে।

৬. অতোপ্পা কোটি ৬০ অমনা শেলগী মতেং ওইনা অকাই অতোই থোকখ্রবা য়ূমশিং শেমজিন্ননবা য়ূম অমগী লুপা লীশিং ৭৫ পীদুনা লাঞ্জেন্নরবা ইমুংশিংগী য়ূম ৮০০০ শেমজিন্নবা পীরি। মসিগী মনুংদা ভারত সরকারনা চাদা ৫০গী শেনফম কাইথোরকখ্রে।

৭. স্পিসিয়েল পেকেজশিংগী মখাদা, খুন্দা লৈতারবা খুঙ্গংশিংদা কম্যুনিটি এসেতশিং শেমগৎনবা অতোপ্পা লুপা কোতি ২৭৪ সেঙ্কসন তৌখ্রে। মসিগী ফন্দ অসিনা আই দি পিশিংগী রিলিফ অমদি রিহেব্লিটেসনগীদমক

শীজন্নগনি। বি ই ২০২৬–২৭কি মনুংদা আই দি পিশিংগী হাওসহোল্ড তোপ–অপ তৌনবা অমদি অতৈ এসেতশিং শেন্নগা রিহেব্লিটেসন তৌনবা লুপা কোতি ৭৩৪ পিখ্রে।

## ১৬ শুবা ফাইনাস কমিসন এৱার্দ (২০২৬–২০৩১)

৮. ১৬শুবা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কম্মিসনগী রিপোর্টি ২০২৬কী ফেব্রুৱারী ১দা র্পলিয়ামেন্টতা পুথোকখ্রে। এৱার্দ অসিনা কোল্লিবা পিরিয়দ অসি ২০২৬–২৭তগীনা ২০৩০–৩১ ফাওবনি। এৱার্দ পিরিয়দ অসিদা, রাজ্য অসিগী ওইনা সেন্ত্রেল টেক্সেসতা লুপা কাটি ৬৫৩৮৫ ইলিজিবল ওই। মসিগী মথক্তা, লোকেল বোদিশিংগী গ্রান্ট ওইনা কোটি ১৮৭১ অমসুং দিজাষ্টর রেস্পোন্স গ্রান্ট ওইনা লুপা কোটি ২৮৮ অসি মপূং ওইবা এৱার্দ পিরিয়দ অসিগী মনুংদা ইলিজিবল ওই।

## ইম্পোরটেন্ট ইনিসিয়েটিবস

৯. চহী অনী লেপ্পুরবা মতুংদা, মীয়াম হুপ্না শরুক য়াদুনা মণিপুর শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল মমাং চহীগী মে থাদা পাঙথোকখি। সাসচী মখাদা সিরুই হেরিটেজ ভিলেজ অমদি বক্ষি গ্রাউণ্ড শেমগৎনবা লুপা কোটি ১৫ হাপ্লক্লে। মসিনা মফম অসিদা, মরুওইনা, ফেষ্টিভেলগী মতমশিংদা, চহী চুপ্পা টুরিষ্টশিং লাকপা ঙমহল্লগনি।

১০. পূন্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি ৩৪দগী লাকপা এঠলিট ১৬০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা ৬৮শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস, মমাঙ চহীগী

এপ্রিলদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। খেল্লো ইন্দিয়া, সাসচি অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগী প্রোগ্রামশিংগী খুত্থাংদা, রাজ্য সরকারনা স্পোর্টস অমদি স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লেপ্তনা শেমগৎলি।

১১. ডুরাণ্ড কপকি ১৩৪শুবা ইদিসনসু মমাঙ চহীদা মণিপুরসু কো হোষ্ট ওইদুনা শীনখি। সাসচি ২০২৫–২৬কী মখাদা, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা সাইক্লিং ভেলোড্রোম অপগ্রেদেসন তৌনবা কাংপোকপী, তমেংলোং অমদি কক্‌চীংগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং শেমগৎনবা ভারত সরকারনা সেঙ্কসন পীরে।

১২. মণিপুরগী ওইনা এয়র কনেক্তিভিটি অসি য়াম্না মরু ওই। এমঃঐচঃএ না সপ্পোর্ট ওইবা অমদি আরঃসিঃএস ঃ উড়ান স্কীমগী মখাদা পায়খৎপা হেলিকোপ্তর সার্ভিসশিংনা অরাপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংগী মরক্তা য়াম্না য়াঙনা অমদি অতাবা মমলদা কনেক্তিভিটি হেনগৎহল্লে। মখা তানা এয়র ত্রেভেল হেনগৎহন্নবা ভাএবিলিটি গেপ ফণ্ডিংগা লোয়ননা অহেনবা ফ্লাইট রুটশিং হৌদোক্লে। বিঃই ২০২৬–২৭তা, লুপা কোটি ১৭.২০ অসি হেলিকোপ্টর সার্ভিস অমদি পেসেঞ্জর ফ্লাইট সার্ভিসকী ভিজিএফ ওইনা হাপ্লে। হেলিকোপ্তর–কম–দিস্পেন্সরি সার্ভিসকী ওইনা অতোপ্পা লুপা কোটি ১০গী শেনফম বজেট অসিদা হাপ্লে।

১৩. স্টেট অসিদা লৈরিবা সেক্যুরিটি চেলেঞ্জশিং অসি য়েংলগা, ইনফ্রাস্ট্রকচর অমদি ইক্যুপমেন্টশিং য়াওনা সেক্যুরিটি এপররেতস অপগ্রেদেসন তৌবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাবা অমানি। স্টেট পুলিসতা লেপ্তনা সর্পোট পীবা ঙম্নবা বি ই ২০২৬–২৭ তা লুপা কোটি ৩৬২৬গী শেনফম হাপ্লে।

১৪. ইজুকেসন অসি অহেনবা মিৎয়েং চঙলিবা সেক্তর অমা ওইরি। সমাগ্রা সিক্সা, পি এম পোসন, পি এম শ্রী অমদি পি এম উসা নচিংবা সেন্ট্রেল্লি

সপোনর্সদ স্কিমশিং অসিগা লোয়ননা স্টেটনা হৌদোকপা স্কিম হায়বদি স্কুল অমদি কলেজ ফগৎহন্সি মিসন অমদি মেরিট সকোলারসিপ স্কিমগী খুথাংদা ইজুকেসন ফগৎনবা হোৎনরি।

১৫. ড্রিংকিং ৱাটর অমদি সেনিতেসনগী হীরম অসিসু অতোপ্পা মরুওইবা সেক্টর অমা ওইরি। মণিপুরদা ড্রিংকিং ৱাটর সপ্লাই অসিগী ফন্দিং অসি জল জিভন মিসন, অমরুট অমদি অক্সতর্নেল্লি এদেট প্রোজেক্ট (ই এ পিস) নচিংবা স্কিমশিং অসিগী খুথাংদা পাংথোকই।

১৬. মরুওইনা খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈবা লম্বীশিং নীংথিনা শেম–শাবগী থবক মণিপুর রুরেল রোদ মেন্টেনেস পোলিসিগী মখাদা পাংথোক্লবা আর ই ২০২৫–২৬ অমসুং বি ই ২০২৬–২৭তা লুপা কোতি ৬০ / ৬০ গী শেনফম হাপ্লে।

## স্কিম ফোর স্পিসিয়েল এসিষ্টেন্টস তু ষ্টেটস ইনভেসমেন্ট (সাসচি)

১৭. সাসচি স্কীম অসি ইং ২০২০দা হৌদোকখি। স্কিম অসি ষ্টেটশিংনা মখোয়গী নোর্মেল বোরোৱিং লিমিট অদুদা এফেক্ট তৌদনা মখোয়গী কেপিটেল এক্সপেন্দিচর অদু হেনগৎচনবা চহি ৫০ ওইবা শেন্দোই য়াওদবা লোনশিংনি। ইং ২০২০দগী হৌরগা, চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী লুপা কোতি ৫৯৬ য়াওরগা, ইজুকেসন, হেলঠ, ৱাটর সপ্লাই, ইরিগেসন, কনেটিভিটি, সেক্যুরিটিনচিংবা অয়াম্বনা হৌজিক হৌজিক থবক চথরিবা স্কিমশিংগী ওইনা লুপা কোতি ৩,৫৭০ ষ্টেট অসিনা ফংখ্রে।

১৮. **সাসচি গী মখাদা চীং অমদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং :-**

মরুওইবা খরদি – মফম ৬ (তরুক)তা লুপা কোতি ১২ চংনা পায়খৎপা দিষ্ট্রিক য়ুট স্কিলিং ইন্টরপেনরসিপ এন্দ এমপ্লোইমেন্ট সেন্তরশিংদা দামগী কেসমেন্ট এরিয়া ত্রিটমেন্ট তৌবগা লোয়ননা রিজারভর কেপাসিটি রেসতোর তৌনবা থবক, মফম ১৪দা ৩৩/১১ কে ভি সব স্টেসন শাব, মারামদা বোইজ অমদি গার্লস হোসটেল, চীঙগী দিস্ত্রিকশিংদা পায়খৎপা রিজিদ পেভমেন্টকি থবক, মাওদগী মণিপুর নগালেন্দ বোরদরদা লৈবা কেদিমা ফাওবগী লম্বী ফগৎহন্নবা থবক, চুরাচান্দপুর অমদি উখ্রুলদা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফকি ইনকুবেসন সেন্টর শাবা, কলেজ ফগৎহন্সি মিসনগী মখাদা গোভরনমেন্ট কলেজশিংদা ইফ্রাইস্ট্রকচর সর্পোট পীবা অসিনচিংবা। অতোপ্পা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা, নিউ চেক্কোনদা গোভরনমেন্ট রিসিদেনসিয়েল ক্বাটরশিং শাব য়াওরি। স্কিম অসিগী পার্ট ৱানগী অহেনবা এলোকেসনগী মখাদা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়াগী অয়াবা লৈরে অমদি ফন্দ সেক্সসন তৌরে। মখোয় অদুদি উখ্রুল দিসক্ত্রিক হেদক্বাটরদগী কংখুই খুন্নৌ ভিলেজ ফাওবা তুরিজমগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম (উখ্রুল), চুরাচান্দপুরগী রিজিদ রোদ ফগৎহন্নবা, সপরমৈনাদগী ইকৌ ফাওবগী লম্বী ইম্প্রুপ তৌবা, অনৌবা দিস্ত্রিকশিংগী দিস্ত্রিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেম্বা অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংদুগী পুলিস ইফ্রাইস্ট্রকচর শেম্বা অসিনচিংবনি।

১৯. ভারত সরকারনা সাসচি প্রোজেকশিং ২০২৬–২৭তসু মখা চত্থরি অমদি হৌজিক চৎনরিৱা নিয়মশিংগী মতুং ইন্না স্টেট অসিনা মসিগী এলোকেসন অদুমক ফংখিগনি

## এক্সটরনেল্লি এদেট প্রোজেক্ট

২০. মণিপুরগুম্বা চীঙগী ষ্টেটশিং অমদি নোর্থ ইষ্টন ষ্টেটশিংদা সেন্ট্রেল গোভরনমেন্টনা লোনগী চাদ ৯০ পুথোকপিবা অসি য়েংলগা অমদি অচৌবা ইফ্রস্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং ফংবা ঙমবনা মরম ওইরগা ষ্টেট গোভরনমেন্ট অসিনা এক্সতরনেল্লি এদেট প্রোজেক্টশিং (ই এ পিস) দা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি।

২১. হৌজিক হৌজিক, ই এ পি ৭ (তরেত)না লুপা কোতি ৯৬৪৭ চঙবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। প্রোজেক্টশিং অসিনা কনেক্টিভিটি, ৱাটর সপ্লাই, সেনিটেসন, ইরিগেসন অমদি ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট তোঙান–তোঙানবা সেক্টরগী থবকশিং তৌরি। মসিদা য়াওরিবশিংদি ঃ ১) মণিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট ২) ফোরেস্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট ৩) দাম রিহেলিতেসন এন্দ ইপ্রুপমেন্ট প্রোজেক্ট ৪) ইম্ফাল সিৱেজ প্রোজেক্ট ফেস টু ৫) লম্ফেলপাট ৱাটরবোদি রিজুভিনেসন প্রোজেক্ট ৬) মণিপুর ইনফোটেক দিপিলবমেন্ট (এম আই এন দি) প্রোজেক্ট ৭) মণিপুর অরবান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেট মেনেজমেন্ট ইপ্রুবমেন্ট প্রোজেক্ট অসিনি।

২২. এক্সটরনেল্লি এদেট প্রোজেক্টকি মখাদা ‘‘রিজিদ পাভেমেন্ট ফোর ইম্ফাল সিটি’’ গী থবক কোতি ৩৬৪৭ চঙনা পায়খৎলি। চীঙগী দিস্ত্রক্ট হেদক্বাটরশিংদসু কোনক্রিট পেভমেন্টকি থবক পায়খৎকনি।

২৩. শেনবা চহী ২০২৬–২৭কি ওইনা এক্সতরনেল্লি এদেট প্রোজেক্টশিংগী লুপা কোতি ১৩৬৩গী শেনফম বজেট অসিদা প্রোভাইদ তৌরে। মসিনা প্রোজেক্টশিং অসি খুরৌ থাংদনা চত্থবা ঙমহনগনি।

২৪. চহি অসিগী এপ্রিলদগী এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টকি অনৌবা ফন্দিং ৰিন্দো হাংদোক্লগনি। ষ্টেট অসিগী চাওখৎপগী লম্বী অসিদা পোজিটিভ ইমপেক্ট পীগদবা প্রোজেকশিং মরুওইনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। মরী লৈনবা ষ্টেকহোলদর পুম্নমক্না খন্ন–নৈনরগা খ্বাইদগী ফবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎকনি।

## ফন্দিং ফের্ম মিনিষ্ট্র ওফ দোনর

২৫. মরিপুরগী চাওখৎ থৌরাংদা তঙাইফদনা চঙবশিং মেনখৎপা ঙম্মনবা মিনিস্ত্রি ওফ দোনরগী খুত্থাংদা ষ্টেট গোভরনমেন্ট অসিনা ফন্দশিং ফংলি। তোঙান তোঙানবা ফন্দিং ৰিন্দোশিং হায়বদি নোর্ট ইষ্ট সপিসিয়েল ইনফ্রাইষ্ট্রকচর দিভিলবমেন্ট স্কিম ( এন ই সি আই দি এস), নোর্ট ইষ্ট ইস্পিসিয়েল ইনফ্রাইষ্ট্রকচর স্কিম অদর দেন রোদ ইনফ্রাইষ্ট্রকচর (এন ই এস আই দি এস ও তি আর আই), স্কিম ফোর নোর্ট ইষ্ট্রন কাউন্সিল (এন ই সি), প্রাইম মিনিষ্ট্রস দিভিলবমেন্ট ইনিসিয়েটিভ ফোর নোর্ট ইষ্টন রিজন (পি এম–দিভাইন) অসিনচিংবগী মখাদা পায়খৎকদবা লুপা কোতি ৫১০৭ চঙগদববা প্রোজেক্ট ৩২৭ লোইরে অমদি অতোপ্পা ১২১গী থবক চত্থরি।

২৬. প্রাইম মিনিষ্টরস দিভিলবমেন্ট ইনিসিএতিভ ফোর নোর্ট ইষ্ট রিজন (পিঃএম–দিভাইন)গী মখাদা দোনরনা প্রোজেক্ট ৮ (নিপান) গী লুপা

কোতি ৫৯৩ শেনফম ফন্দিং তৌরি। মসিদা য়াওরিবসি মণিপুর তেকনিকেল য়ুনিভরসিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভিলব তৌনবগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর আইঃটি–সেজ কী প্রোসেশিং জোনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎন্নবা, লম্ফেলদা বেদ ৬০ লৈবা ষ্টেট মেন্টেল হোসপিটাল শানবা অমদি ইক্যুপমেন্ট লৈনবা, দি এম য়ুনিভরসিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা, ৱাখাদা শাগৎলিবা মণিপুর য়ুনিভরসিটি ওফ কলচরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভিলবমেন্ট তৌনবা, অরাপ্পা অমদি চীঙগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা সুপর স্পিসিয়েল্লিটি অমদি এসিয়োর্দ স্পিসিয়েল্লিটি হেলঠ কিয়ার পীবা ঙমবগী ইনফ্রাইষ্ট্রকচর অমদি ইক্যুবমেন্ট থমবগীদমক অমদি মণিপুর ইন্টরনেসনেল কনভেনসন সেন্টর, ইম্ফাল ফেজ ৱান শানবগী অসিনি।